**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-01-2025)**

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-রাজ্য অসিদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনরকপা চহি মঙা মপুং ফারকপদা মসিবু চৎনহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ওফিসিএলশিংবু থাগৎপা ফোংদোক্লি।

ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হোম দিপার্টমেন্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংদা কমেন্দেসন সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংনা অয়ুক, নুংথিল, নুমিদাং খাক্তনা কন্না হোৎনবদগী রাজ্য অসিদা আই.এল.পি. সিষ্টেম মপুং ফানা চৎনহনবা ঙমলি।

**রেলগাড়ি(এল)ঃ** ইন্দিয়ান রেলৱেজকী দাবা ২৯ য়াওবা চেং পুবা অখন্নবা রেলগাড়ি অমা ঙসি নুংথিল পুং অহুম মখায়রোম তারকপা অদুৱাইদা নোনে জিলাগী খোঙশাং রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলরে।

ঙসি থুংলরিবা চেংশিং অসি ত্রকতা পুদুনা ইম্ফাল য়ৌনবা হোৎনবদা নুমিৎ হুমনি মরিনি চংলবা য়াই হায়রি।

**বিশ্বজিৎ(এল)ঃ** পৱার মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়রি-মীশিং হেনগৎলকপগী মতুং ইন্না মৈ শিজিন্নবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি থুংহনবা ঙমবা হোৎনবদা অকোইবগী ফিভমদা শোকহল্লোইদবা অনৌবা থৌরাংশিং শিজিন্নগদবনি।

কেন্দ্রগী পৱার মন্ত্রালয়গী ব্যুরো ওফ ইনর্জি ইফেন্সেসিগী মখাদা ঙসি হৌদোকখিবা দিমান্দ সাইট মেনেজমেন্ট মিজরস ইমপ্লিমেন্টেসনগা মরী লৈননা

মনিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পানি লিমিটেদনা গ্রীন ত্রি গ্লোবেল ফার্মগা খুৎশমদুনা ঙসি হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকপা থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-মীয়ামসু মৈ শিজিন্নবা মতমদা মৈ য়ামা চাদবা ইলেক্ত্রিক্টকী পোৎলমশিং শিজিন্নবা তঙাইফদে। মসিগী মতাংদা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম কয়াসু লেপ্তুনা পাঙথোক্লি। সরকারনসু গ্রীন ত্রি গ্লোবেল ফার্মগা খুৎশমদুনা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎনবা হোৎনরি হায়নসু মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**ডে (এল)**ঃ প্রোটেক্তিং ৱেটলেন্স ফোর অৱার কম ফ্যুচর হায়বা হীরমদা কলেজ লেবেল সিম্পোজিয়ম অমা ঙসি থৌবালগী ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজতা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্ল্ড ৱেটলেন্স ডেগী মাংওইননা রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটকী মীৎয়েং মখাদা কলেজ অসিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজগী প্রিন্সিপাল-ডা: ঐচ. মনোরঞ্জন শর্ম্মনা হায়-মথং থাগী অনিদা মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোকগদৌরিবা ৱার্ল্ড ৱেটলেন্স ডে অসিদা মহৈরোইশিংসু য়াওহন্দুনা ৱাখল তাহন্নবগী পান্দমদা সিম্পোজিয়ম অসি পাঙথোকপনি। ৱেটলেনশিংগা মীওইবগা লৈনরিবা তৎনথানবা য়াদ্রবা মরী অদু মীপুম তিংনা খঙমীন্ননবা হোৎনসি হায়নসু ডা: মনোরঞ্জননা আপিল তৌখি।

**ফোরেষ্ট(এল)**ঃ ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা মনিপুর বাইওদাইভরসিতি বোর্ডনা শিনদুনা মনিপুর বাইওদাইভরসিতি ষ্ট্রেটেজি এন্দ এক্সন প্লান হন্না য়েংশিনবগী থবক চথুরি।

মসিগা মরী লৈনবা কন্সলটেসন ৱার্কশোপ অমা ঙসি ইম্ফালদা লৈবা ফোরেষ্ট হেদক্বাটরসতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা সরকারগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মীহুৎশিং, একাডমীয়া, পোলিসি মেকর, রির্ছাচর,

সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং কম্ম্যুনিতি লিদরশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মনিপুরগী ইনাক খুল্লবা বাইওদাইভরসিতি হোটস্পোর্টকী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**তমেংলোং(এল)ঃ** কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্মুনিকেসন ফিল্ড ওফিস-তমেংলোংনা শিনদুনা ভিক্সিত ভারতকী মতাংদা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা ঙসি তমেংলোংগী চিংখিয়ুলুৱাংদা পাঙথোকখ্রে।

মীওই ১২০ লোমা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা ভিক্সিত ভারতকী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**অধার(এল)ঃ** পোকপদগীনা চহি মঙা ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী অধার লিঙ্ক বার্ড রেজিষ্ট্রেসন তৌনবগী সেন্টর অমমম ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অমসুং লিলোং হাওরৈবী কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্টরদা হেলথ সাভির্সেসকী দিরেক্তর-ডা: চন্বো গোনমৈনা হৌদোকখ্রে।

সেন্টর অনি অসিনা অসিগুম্বা মখলগী খুদোংচাবা ফংবা মনিপুরগী অহানবা সেন্টরশিংনি হায়রি। হেলথ সাভির্সেস দাইরেক্তোরেট অমসুং থৌবালগী চীফ মেদিকেল ওফিসারগী ওফিসনা পুন্না শিনদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডা: চন্বো গোনমৈনা হায়-ঙসি অহানবা ওইনা থৌবাল জিলাগী মফম অনিদা হাংদোক্লিবা সেন্টরশিং অসি অথুবা মতমদা অতৈ জিলাশিংদসু হাংদোকবা হোৎনরি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা নৌনা বার্ড রেজিষ্ট্রেসন তৌরবা অঙাং মরিদা অধার অমসুং বার্ড রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

**ককচিং(এল)ঃ** ৩৬ শুবা নেসনেল রোড সেফতি মন্থ, ২০২৫ গী থৌরম ঙসি ককচিং জিলাগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা ককচিং বজারদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা হেলমেট উপ্তুনা চাকা অনি পানবা গাড়ি থৌরকপা মীওইশিং ত্রাফিক পুলিসনা খামদুনা মখোয়দা হেলমেট উপ্পগা গাড়ি থৌবগী কান্নবশিং নীংথিনা তাকপীখি অমসুং হেলমেটশিং লেমা য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ককচিংগী এদিসনেল এস.পি. (লো এন্দ ওর্দর)-অথোকপম রোমেন্দ্রোনা হায়-মশাগী চহি ১৮ শুদ্রিবা অঙাংশিংনা গাড়ি থৌবা য়াদবগী অথিংবা লৈ। লম্বীদা গাড়ি থৌরিবশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগী পান্দমদা মীয়ামবু ৱাখল তাহন্নবা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। হেলমেট উপ্তুনা চাকা অনি পানবা গাড়ি থৌবশিং হয়েংদগী অকনবা থবক লৌখৎলগনি হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

**আইদিয়াথোন (এল)ঃ** ইম্ফাল সমার্ট সিটি লিমিটেদকী চীফ ইগজকিটিব ওফিসার-হরিকুমার থিংবাইজমনা হায়রি-ইম্ফাল মনুংদা লম্বী কা হেন্না চিনবগী খুদোংচাদবা মায়োকরিবা অসি হন্থহনবদা মতেং পাংনবা খ্বাইরম্বন্দকী ইমা কৈথেল অহুমদা অন্দরগ্রাউন্দ পার্কিং থমবা হোৎনরি।

ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ঙসি পাঙথোকখিবা আইদিয়াথোন কম্পিটিসনগী গ্রান্ট ৱিনর লাউথোকপা অমদি মনা য়েন্থোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী হরিকুমারনা হায়-ইম্ফাল মনুংদা মফম চাদনা চৈখায়দুনা লৈরিবা অমোৎ অকায়শিং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসনগা খুৎশমদুনা মফম চানা লোয়শিন্নবা অহেনবা মীৎয়েং চংলগনি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী ওইনা মীয়ামগী নুমিৎ লাক্লিবা থাংজ নুমিৎকী

অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং অমা মখায় ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাসনা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা হায়-হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীয়ামগী নুমিৎ অসিদা জিলা অসিগী চহি ৭০ শুরবা মীওইশিংগী প্রধান মন্ত্রি জন্ন অরোগ্যা য়োজনাগী কার্ড শাবগী অখন্নবা কাউন্টর অমসু হাংগনি। শরুক য়াবা লাক্কদবা মীয়ামনা দরকার লৈবা চে-চাংশিংগী জেরোক্স কোপি পুবীরকবসু দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা আপিল তৌরি।

**কেম্প (এল)ঃ** জৱাহর নবোদিয়া বিদ্যালায়া চান্দেল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল চান্দেলনা পুন্না খুৎশমদুনা নোংমগী ওইবা হেলথ কেম্প অমা ঙসি জিলা অসিগী লিৱা খুল্লেনদা লৈবা জে.এন.ভিদা পাঙথোকখ্রে।

পি.এম. শ্রী-স্কুল প্রোগ্রামগী মখাদা আইদেন্টিফিকেসন এন্দ এসেসমেন্ট স্পিসিএল নিদ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা হেলথ কেম্প অদুদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মহৈরোইশিং অমদি মীয়ামদা লেমা লায়েংবগী খুদোংচাবা পীবতা নত্তনা ৱাখল তাহনবগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা রাস্ত্রিয়া বাল স্বাথিয়া কারিয়াকরমগী স্ক্রিনিং তৌখি। নুপীমচাশিংগী ওইবা অখন্নবা ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**ফিজ (এল)ঃ** ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ফিস ফামরস এসোসিয়েসনগী অনিরকশুবা মপোক কুমলন থৌরম ঙসি অমুকোগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অমুকোগী প্রসিদেন্ট-ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা হায়-মনিপুরগী দরকার লৈবা ঙাগী পোৎথোকশিং লমদম অসিগী ঙামীশিংনা পুথোকপা খক্তনা কোন্নবা ঙমদবদগী মপানদগী পুশিল্লকপা হিদাক চাইবা অমদি উননা য়োম্বা ঙাশিং চাবগী হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি। মরম অদুনা রাজ্য সরকারনা হোৎনরিবা অসিগী মথক্তা খরগা হেন্না

কন্না হোৎনদুনা ঙাগী ৱাৎলিবা পোৎথোকশিং মেনখৎনবা আপিল তৌরি।

থৌরম অদুদা ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ফিজ ফামরস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-ময়েংবম বিমোলচান্দ য়াওনা মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**গ্রাম সভা (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং তেন্থা সি.দি. ব্লোক্কী মখাদা লৈবা হৈরোক পার্ট টু গ্রাম পঞ্চায়টকী অখন্নবা গ্রাম সভাগী মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা সরকারগী বিভাগশিংগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

**দেদ (এল)ঃ** মীয়ামা শকখঙনরবা ক্রিটিক অমসুং হন্দোক্লোই-অরিবম কুমার শর্ম্মা মশাগী অনাবা অমদগী ঙসি অয়ুক ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংখৈ থন্বালখোংদা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৮৪ শুখ্রে।

এ.কে. শর্ম্মা হায়রগসু খঙনবা অরিবম কুমার শর্ম্মা, মহাকা মনিপুরিদা হন্দাকপা 'নুমিৎকী তরেৎশুবা শগোল' হায়বসিদা সাহিত্যা একাডমী ট্রান্সলেসন প্রাইজ অমসুং লাইরিক অসিমক্তদা মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমী এৱার্ড ফংখি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মনিপুরি সাহিত্য পরিষদকী ৮৭ শুবা মীফমদা সাহিত্য ভুষন উপাধি পীদুনা ইকায় খুমখি। মহাক অকাশবানি ইম্ফালগী রেদিও দ্রামা কয়াসু ট্রান্সলেসন তৌখি।

মহাক সাহিত্যগী লুপশিং-কলচরেল ফোরম অমসুং রাইটরস ফোরমগী প্রসিদেন্ট ওইরম্মী। সাহিত্য একাডমী জেনরেল কাউন্সিলগী মেম্বর ওইরম্মী। দি.এম. কলেজ, জি.পি. ৱিমেন্স কলেজ অমসুং দি.এম. কলেজ ওফ টিচর এদুকেসনদা লেকচরর ওইরম্লবা তুংদা দাইরেক্তোরেট ওফ এদুকেসন (য়ু) গী এদিসনেল দাইরেক্তর ওইনা ইং কুমজা ২০০১ দা থবক্তগী পোত্থখি।

মহাকা লৈখিদবদা মনিপুরি সাহিত্য পরিষদনা অৱাবা ফোংদোরক্লি। রাইটরস ফোরম-ইম্ফালনসু মসিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা এ.কে. শর্ম্মনা লৈখিদবদা

ফোরম অসিগী নাগামপাল নবাবম লৈকাইদা লৈবা ওফিসতা অৱাবা ফোংদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-নোংপোক থংবা ভারত অসি লৈবাক অসিগী চাউখৎপগী ইঞ্জিননি অমসুং মসিদা উরিষ্যানা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

ভুবনেশ্বরদা ঙসি প্রধান মন্ত্রিনা 'উতকরস ওরিষ্যা, মেক ইন উরিষ্যা কনক্লেপ হৌদোকখি। উরিষ্যা সরকারনা যুল্পু ওইদুনা পাঙথোকপা ফ্লেগসিপ গ্লোবেল ইনভেষ্টমেন্ট সমিট অসি রাজ্য অদুগী শেল থাদবগী লমদা মাংজিল থাবা রাজ্য অমা অমসুং ভারতকী ইন্দিষ্ট্রিয়েল হব অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-রিছার্স অমসুং ইনোভেসনগী লমদা সরকারনা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা অখন্নবা মীৎয়েং চংলি। সরকারনা হোৎনরিবা অসিদা ইন্দষ্ট্রিশিংনা মতেং পাংবীনবসু প্রধান মন্ত্রিনা তকশিনখি।

**গেমসঃ** ৩৮ শুবা নেসনেল গেমস হৌনবী মতুং ইন্না ঙসিদগী উত্তরাখন্দদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখ্রে।

দেহরাদুনদা লৈবা মহারনা প্রতাপ স্তেদিয়মদা মপুং ওইবা হৌদোকপগী থৌরম অদু পাঙথোকখি।

মথং থাগী ১৪ ফাওবা চখুগদবা গেমস অসি উট্টরাখন্দগী জিলা ৮ গী সহর ১১ দা পাঙথোক্কনি। তোঙান তোঙানবা মশান্না ৪৭ তা শান্নরোইশিংনা অথোই অহেন তান্নগনি।

গেমস অসিদা মনিপুরগী শান্নরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা মশান্না ২০ দা শরুক য়ারি। গেমস অসিগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ২৬ তগী হৌখিবা ত্রাইথলোন মশান্নদা মনিপুরনা সনাগী তকমান অমা অমসুং লুপাগী তকমান অমা

ফংবা হৌখ্রবনি।

**--হৌজিক মখা তাবা শান্নবগী পাড, চিংথাম দেবিকাদগী---**

**ফুটবোল (এল)ঃ** করনেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিএলগী মরিশুবা ইন্টর ক্লব ফুদসাল টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- এস.এস.সিনা এন.এম.এবু পাঞ্জল ১০-৭ তা, এ.বি.এগা এম.এস.ঐচকা পাঞ্জল ৫-৫ চন্নদুনা দ্রো, ক্রিপসানা কে.আই.ৱাই.সিবু পাঞ্জল ১১-২ দা, পোলো এফ.সিনা আর.এফ.সি.সিবু পাঞ্জল ৮-৩ অমসুং এস.এফ.এসনা য়ু.ৱাই.পি.এবু পাঞ্জল ৭-৪ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** হাউরৈবী নোর্দন স্তার ক্লব অমদি হাউরৈবী অপুনবা এফ.সিনা শিনবা মঙাশুবা চন্দ্রনদি ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচকা অহানবা গ্রাউন্দদা লংথবালগা ৱাই.দি.সি.এল. পুংদোংবমগা অহুমশুবা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচ শান্নগদবা অদু লংথাবালনা ৱার্কআউট তৌখিবদগী ৱাই.দি.সি.এল. পুংদোংবম ক্বাটর ফাইনেল চংলে।

অনিশুবা গ্রাউন্দগী মরিশুবা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা এল.এস.আই.সি. লমলাইনা হিয়াংথাং এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** ক্রিকেটতা, চহি ১৫ গী মখাগী অনিশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স ৱান দে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা পি.সি.সি.ময়াই কোইবীনা ফোরস ক্ষেত্রিগাউবু ৱিকেট তরেৎতা, পি.টি.আর.সি. পাৎশোইনা এম.পি.এ. থৌনাওজমবু ৱিকেট মঙাদা থোইখি।

নুপাগী চহি ১৪ গী কাংলুপ্তা মরিশুবা এম.এন.সি.এ. টুর্নামেন্ট ২০২৪-

২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালনা পি.টি.আর.সি. পাৎশোই পার্টি ফোরবু রন-২০২, এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকনা পি.টি.সি.সি. পাৎশোই পার্টি থ্রিবু রন-৯৮ দা, কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈনা টি.সি.এম.দি.সি. থোংজ পার্টি টু পেচু লম্পাকপু রন-১৬১ দা থোইখি।